# ন্যু জিলেন্দগী মোস্ক অনীদা চথখিবা এটেক্ট মালেমগী লুচিংবশিংনা কন্দেম তৌখ্রে



লন্দন, মর্চ১৬(এজেন্সি):

ন্যু জিলেন্দগী মোস্ক অনীদা ইরাই নুমিত্তা লাইশোল থৌরম পাঙথোক্লিঙৈ মনুংদা নোংমৈ কাপশিন্দুনা মরাল লৈজদবা মীওই ৪৯ হাৎখিবগী থৌদোক মালেমগী লুচিংবশিং অমসুং ওর্গনাইজেসনশিংনা হঙ্গোইবা উৎপগা লোয়ননা য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে।

মীওই কয়ানা এটেক্ট অদু নোংচুপলোমগী লৈবাকশিংনা মুস্লিমশিংবু হঙ্গোই-তুক্কচনা উহনবদগীনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

দোনাল্ড ট্রম্পতগী হৌরগা জর্মন চান্সেল্লর এঞ্জেলা মার্কেলনচিংবা নোংচুপলোমগী লুচিংবশিংনা ন্যু জিলেন্দগী মীয়ামগী অৱাবদা শরুক য়ারি হায়না ফোঙদোকখ্রে। হ্বাইট হাউসনা থৌদোক অদু মীঙোন্দা তুকচ্ছবা উৎপগী ফত্তবা থৌওংনি হায়খ্রে।

অমরোমদা মুস্লিম লৈবাকশিংনা পোলিটিসিয়নশিং অমসুং সিদিয়াবু মুস্লিমশিংদা হঙ্গোইবা মীৎয়েংনা য়েংহল্লি হায়না মরাল শীখ্রে। ন্যু জিলেন্দগী মোস্ক অনীদা চথখিবা এটেক্ট অদুগী ভিক্তিমশিংগী নেসনেলিটিশিংগী মনুংদা ইন্দিয়ন, পাকিস্তানি, মালেসিয়ান, ইন্দোনেসিয়ন, ইজিপসন, বাংলাদেশি, সাউদি, সোমালিয়ন অমসুং টর্কিস য়াওরি হায়না ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

ন্যু জিলেন্দ পুলিসনা হায়, মফম অনীদা চথখিবা শাথিরবা এটেক্টশিং অদুদা মীওই ৪৯ শিখ্রেঅমসুং ফিভম লুনা শোকপা য়াওনা নোংমৈনা পান্দুনা শোক্লবা অতে মীওই ৪২ না তোঙান তোঙনবা হোস্পিটালশিংদা লায়কন্নরি। অশোকপশিংদুগী মনুংদা চহী ৪ শুবদা ঙাইরিবা অঙাং অমসু য়াওরি। এটেক অদুগা মরী লৈননা মীওই অহুম ফারে অমসুং মখোয় অহুমগী মনুংদা ব্রেন্টন হরিসন তরান্ট কৌবা মশাগী চহী ২৮ শুবা হ্বাইট সুপ্রমেসিষ্ট অমনি হায়না চিংনবা ওষ্ট্রেলিয়ন অমা মী হাৎপগী মরাল শিরবা মতুংদা দিষ্ট্রিক্ট কোর্টতা পুথোকখিবগা লোয়ননা লাক্লিবা এপ্রিল ৫ দা হায় কোর্টতা পুথোকক্ত্রিফাওবা রিমান্দ পীখ্রে হায়রি।

# জাইস-ঈ-মোহম্মদকী লুচিংবা ব্লেক লিষ্ট তৌবগী মতাংদা চাইনানা ইন্দিয়াগা মখা তানা ৱারী শানবা পাম্লি

বৈজিং, মর্চ১৬(এজেন্সি):

ইন্দিয়াগী কাশ্মিরদা হৌখিবা ফেব্রুৱারিদা পেরা মিলিটরি কনভোই অমদা এটেক্ট চথখিবা পাকিস্তান্দা বেজ তৌবা মিলিটেন্ট গ্রুপ জাইস-ঈ-মোহম্মদ (জে ঈ এম) গী মকোক ব্লেক লিষ্ট তৌবগী মতাংদা ইন্দিয়া য়াওনা মরী লৈনবা পার্টি খুদিংমক্কা মখা তানা ৱারী শানবা পাম্মী হায়না চাইনানা ইরাই নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

জে ঈ এমগী ফাওন্দর মসুদ অঝারবু হৌখিবা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা য়ু এন সিক্যুরিটি কাওন্সিলগী কম্মিটি অমনা ব্লেক লিষ্ট তৌনবা হৌৎনখিবদা চাইনানা অথিংবা পীখিবনি। চাইনাগী থৌওং অদুদা ইন্দিয়ানা পেন্দবা ফোঙদোকখি অমসুং দোমেষ্টিক সোসল মিদিয়াদা চাইনানা শাবা পোৎ-চৈশিং বোয়কোট তৌগদবনি হায়বা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্লখি।

অমরোমদা, চাইনাগী মায়োক্তা কা হেনবা খোঙথাং কয়া লৌখত্তুনা সাউথ এসিয়াদা মরা তপ্পা অমসুং তং তাবা ফিভম পুরক্লবা হোৎনবগী থবক্তা অকায়বা পীগনি হায়না য়ুনাইটেস ষ্টেটসকী মায়কৈদগী ফোঙদোকখি।

ইরাই নুমিৎকী অথেংবদা ন্যুজ এজেন্সি অমদা ফেক্সকী খুখাংদা থাখিবা ষ্টেটমেন্ট অমদা চাইনাগী ফোরন মিনিষ্ট্রিনা হায়খি মদুদি জাইস-ঈ-মোহম্মদকী লুচিংববু ব্লেক লিষ্ট তৌবগী মতাংদা টেক্নিকেলগী ওইনা মতম খরা পল্লিবসি য়ু এনগী কম্মিটিদা ইশ্যু অসিগী মতাংদা মখা তানা তাথোক-তাশিন তৌনবগী মতম হেন্না পীনবগীদমক্তনি।

কম্মিটিনা পায়খৎলকপা থবক কয়ানা লমদম অদুদা উংখৎনবা ফিভম হন্থহনবদা অমসুং রিজনেল ষ্টেবিলিটি কায়হন্দনা থম্বদা মতেং ওইগনি হায়না চাইনানা থাজে হায়না চাইনিজ ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা ন্যুজ এজেন্সি অদুদা ফোঙদোকখি। ইন্দিয়াদা চাইনানা শাবা পোৎ-চৈশিং বোয়কোট তৌগদবনি হায়বা সোসল মিদিয়াদা ফোঙনরিবা ৱাফমশিংগী মতাংদা হংখিবা ৱাহং অমগী পাউখুমদা মিনিষ্ট্রিনা পাউখুম অসি পীখিবনি।

ইশ্যু অসি মরম চানা হেন্দল তৌবা য়ানবা ইনিদয়া য়াওনা মরী লৈনবা পার্টি খুদিংমক্কা চাইনানা মখা তানা ৱারী শানবা পাম্মী হায়না চাইনিজ ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা অকুপ্পা ৱারোল পীদনা ফোঙদোকখি।

য়ুনাইটেদ ষ্টেটস, বৃটেন অমসুং ফ্রান্সনা য়ু এন সিক্যুরিটি কাওন্সিলগী ইস্লামিক ষ্টেট অমসুং অল কায়দা সেঙ্কসন্স কম্মিটিদা মসুদ অঝারগী ময়োক্তা খুৎলায়, চৎথোক-চৎশিনগী অথিংব থম্নবা অমসুং মহাক্কী লন-থুমশিং ফাজিন্নবা তকশিনখিবনি।



মেম্বর ১৫ লৈবা য়ু এনগী কম্মিটি অদু প্রোব্লেম অমা লাকপা মতমদা পুন্নমক্কী ওইবা অয়াবা লৌনরগা থবক তৌবগী চৎনবী লৈ। চাইনানা মমাঙদা কুমজা ২০১৬ অমসুং কুমজা ২০১৭ দা কম্মিটি অসিনা অঝারগী মথক্তা অথিংবা থম্নবা হোৎনখিবদসু য়েৎখিবনি। হৌখিবা ফেব্রুৱারী ২৪ দা চথখিবা য়ামদ্রবদা পেরামিলিটরি পুলিসকী মীওই ৪০ শিহনখিবা এটেক অদু চহী ৩০ শুরবা কাশ্মিরগী ইন্সর্জেন্সিদা খ্বাইদগী শাথিবনি হায়না লৌনৈ। থৌদোক অদুনা সাউথ এসিয়াগী ন্যুক্লিয়র খুৎলায় লৈনরবা য়ুম্লোন্নবা লৈবাক অনীগী মরক্তা উংখৎনবা হেনগৎহনখি।

# 'অনৌবা অথিংবশিংগী মায়োক্তা রসিয়ানা পাউখুম পীগনি'



মোস্কো, মর্চ১৬(এজেন্সি):

য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ননা রসিয়াগী মথক্তা অনৌবা অথিংবা কয়া থল্লক্লিবা অসিগী পাউখুম রসিয়ানা পীগনি হায়না রসিয়ন ফোরন মিনিষ্ট্রিনা থাংজ নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

অঝোভ সিদা রসিয়া অমসুং য়ুক্রেনগী মরক্তা লৈরিবা উংখৎনবগা মরী লৈননা ঈ য়ুনা ইরাই নুমিত্তা অহেনবা রসিয়ন ৮ গী মথক্তসু অথিংবা থমখিবনি। নৌনা অথিংবা থল্লিবা রসিয়নশিংদুগী মনুংদা সিনিয়র সিক্যুরিটি সাভিসকী ওফিসলশিং অমসুং মিলিটরি কম্মান্দরশিং য়াওরি। মখোয়বু ঈ য়ুনা য়ুক্রেনগী জহাজশিং মরী লৈনবা হিংথাংফম য়ৌনা চঙহনদে হায়না মরাল শিরিবনি।

ঈ য়ুকী মায়কৈদগী অথিংবা কয়া নৌনা লাউথোরক্লিবদু রসিয়ানা ক্রিমিয়ন পেনিন্সুলা লৌশিনখিবা চহী ৫ মপুং ফারকপগা চান্নরি। অমরোমদা মদু য়ুনাইটেদ ষ্টেটস অমসুং কনাদানা তান্নরগা লৌখৎলকপা খোঙথাংসু ওইরি। লৈবাক অনী অসিগী ওইনসু রসিয়াগী মায়োক্তা অনৌবা অথিংবা কয়া লাউথোকখ্রে। য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ন্না লৌখৎলক্লিবা মরুপ মপাং ওইদবা মানবা মওংগী খোঙথাং অসি রসিয়ানা পাউখুম পীদনা তোক্লোই হায়না রসিয়ন ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোক্লি।

অঝোভ সিদা হৌখিবা নবেম্বরদা থোকখিবা থৌদোক অমগা মরী লৈননা ঈ য়ুনা রসিয়ন ওফিসলশিংগী মথক্তা চৎথোক-চৎশিনদা অথিংবা থম্বগা লোয়ননা মখোয়গী এসেটশিংসু ফাজিনখিবনি। থৌদোক অদুদা ক্রিমিয়াগী মনাক নক্না কর্চ ষ্ট্রেটতা রসিয়ন নেভিনা য়ুক্রেনগী হিরোয় ২৪ মখোয়গী ভেসেল্টশিংগা লোয়ননা ফাজিনখিবনি।

থৌদোক অদুদা রসিয়ানা ইন্টরনেসনল লো থুগায়খি অমসুং মরম চাদনা ফোর্স শীজিন্নখি হায়না ঈ য়ুনা ফোঙদোক্লিবা ৱাফম অসি থাঙৈশেংনা থোকখিবা থৌদোক অদুগা চান্নদে হায়না রসিয়ন ফোরন মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোকখি।

য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ন্না পীনিংবা মরম অমা পীশিল্লগা ঐখোয়গী সিটিজনশিংবু লোনা য়াদবা মওংদা অথিংবা থমগদবা মীওইশিংগী লিষ্টতা হাপচিনবা অসি ঐখোয়না য়ানিংদে। রসিয়নশিং অদু মখোয়গী মথৌদাং পাঙথোকচখিবা মীওইশিংনি। য়ুক্রেনগী ৱথোক্কা মরী লৈননা য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ন্না ব্লেক লিষ্ট তৌখিবা রসিয়নশিংগী মশিং হন্দক্তা লাউথোকখিবা অসি থারগা ১৭০ শুরে। মখোয়দা নত্তনা এন্টিটি ৪১গী মথক্তসু ঈ য়ুনা অথিংবা থমখ্রে।

# কঞ্জার্ভেটিভ লোমেকর অমসু লোকল পার্টিদগী তোকখ্রে

লন্দন, মর্চ১৬(এজেন্সি):

বৃটেনগী লৈঙাক পায়রিবা কঞ্জাভেটিভশিংগী মনুংদগী সিনিয়র লোমেকর অমা ব্রেক্সিটকী মতাংদা য়ানদনবা লৈবদগী থাংজ নুমিত্তা মহাক্কী লোকল পার্টি থাদোকখ্রে।

মশাগী চহী ৫৩ শুরবা দিক বোলস কৌবা সিনিয়র লোমেকর অদু বৃটেন্না দিল অমা য়াওদনা য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ন থাদোক্কনি হায়না লৈঙাক্কী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লিবা ৱাফম্থু য়ানিংদবা উত্তুনা খোঙথাং অসি লৌখৎখিবনি। মথংগী জেনরেল ইলেক্সন্দা মহাক পার্টিকী কেন্দিদেট ওইবা য়াদবগী ফিভমদা লৈ হায়রি। বোলসনা হায়খি, করিগুম্বা কঞ্জার্ভেটিভশিংগী মায়কৈদগী মঙোন্দা য়ানিংগদবা ওফর অমা পীরক্লবদি মহাক্না মখা তানা পার্টি অসিগী মায়কৈদা লেপ্তুনা লৈগনি। হান্নগী মিনিষ্টর অসিনা মহাক্কী লোকেল পার্টিদা ইবা লেট্টর অমদা হায়, মহাক্কী ৱাখলগা চান্নদবা মীওই গ্রুপ অমগা মখা তানা থবক তৌমিন্নবগী মরী থম্নবা য়াগদবা মওংদা মহাক্না অনৌবা খোঙথাংশিং পায়খৎপা পামদ্রে। অসুন্না পার্টিগী মীওইশিংগা মরী তৎনবা অসিদা ঐঙোন্দা নুংঙাইতবা ফাওই। তৌইগুম্বা পোলিটিসিয়ন অমা ওইনা প্রিন্সিপল লৈতবা অসিদি ঐহাক্না পামদে হায়না বোলসনা ফোঙদোকখি।

কুমজা ২০১৬ দা পাঙথোকখিবা ঈ য়ু রেফ্রেন্দমনা বৃটিশ টাওনশিং অমসুং ভিলেজশিং অমগ-অমগা নাকপাক তান্নহনখিবদা নত্তনা বৃটিশ পার্লিয়ামেন্টপুসু নাকপাক তাহনখি। কঞ্জার্ভেটিভ অমসুং লেবরগী লুচিংবশিং মখোয়গী পার্টিশিংবু অমত্তা ওইনা খোঙফম চেৎনা লৈহননবা হোৎনবদা অৱাবা ওইখি। ব্রেক্সিটকা মরী লৈননা লৌখৎলকখিবা খোঙথাংশিংদা পেন্নরক্তবদগী হৌখিবা থাদা মরু ওইবা পার্টি অনীমক্কী পার্লিয়ামেন্টকী মেম্বর ১১ মখোয়-মখোয়গী পার্টিশিং থাদোক্লদুনা ইন্দিপেন্দেন্ট গ্রুপ অমা শেমখি। প্রাইম মিনিষ্টর টেরেসা মেনা ঈ য়ুগা য়ানখিবা দিৰ্ভোর্স দিল চয়োল অসিদা পার্লিয়ামেন্টতা ভোট লৌনখিবদা লোমেকর অয়াম্বনা দিল অদুগী মায়োক্তা ভোট পীনখি। দিল অদুবু লোমেকর ২৪২ না শৌগৎনখিবদা লোমেকর ৩৯১ না মদুগী মায়োক্তা ভোট পীখি। সিনিয়র লোমেকর বোলসনা প্রাইম মিনিষ্টর মেবু শৌগত্তুনা লাক্লবসু মহাক্না ব্রেক্সিটকী অতোপ্পা প্লান অমগী মতাংদা ওপোজিসন পার্টিশিংগা খুৎশম্নুনা থবক তৌমিন্নবা লৈঙাক্তা তকশিনখিবনি। মহাক্কী অপাম্বা মতুং ইন্না থৌওং অসি চথবা তারবদি বৃটেনগা ঈ য়ুগা মরী হেন্না নকশিনরকপা য়াই হায়না বোলসনা ফোঙদোকখি।



## /R.C. BOOK LOST

I have lost my R.C. Book of Van, Golden in colour bearing Regn. No. MN04A-0532 issued by DTO, Thoubal District on the way between Thoubal Arong Thong and Thoubal District Hospital on 15/3/2019.

Finders are requested to handover the same to the undersigned.

*Sd/-* **L. Ibohal Singh**
***Waithou, Thoubal District.***
☎ ***9862887308***

*HL-P//3742/17*

**GOVERNMENT OF MANIPUR**
**OFFICE OF THE DEPUTY REGISTRAR OF SOCIETIES (IMPHAL WEST)**

## /NOTIFICATION

Imphal, the 14th March 2019

No. Prop/SR/IW/2019: An application for registration of a proposed namely ***"The Yambem Leirak and Thingbaijam Leirak Development Club (IW)"*** and address ***"Sagolband Tera Yambem Leirak Machin (IW)"*** has submitted to the undersigned and therefore, objections, if any, to the registration of the proposed society/association is invited from any interested persons within 20 (twenty) days from the date of publication of this notice.

Any complain after this period shall not be entertained.

*HL-P/3748/17*

*Sd/-* **P. Memi Devi**
**Deputy Registrar of Societies, Imphal West**

## /BANK PASS BOOK LOST

I have lost my SBI Bank Pass Book of Singjamei Chingamathak Branch bearing A/C No. 37831289130 on the way between Porompat and Bazar on 11/3/2019.

Finders are requested to handover the same to the undersigned.

*Sd/-* **R.K. Romita Devi**
***Porompat Thawanthaba Leikai***
☎ ***8794207285***

*HL-P//3744/17*

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR : LAMSANG**
***Ref:- Mut. Case No.208/SDC/IW-L/2019***

Chingangbam Arunkumar Singh S/o (L) Babudhon Singh of Lamdeng Mayai Leikai. -Petitioner

-Vs-

Late Chingangbam (O) Kumudini Devi W/o (L) Babudhon Singh of Lamdeng. -O.P.Party

## /NOTICE

14/03/2019

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি মৃ: পাট্টাদার চিংঙ্গাংবম (ও) কুমুদিনি দেবী, পটি বাবুধোন সিংহ, সাং লমদেংগী মীংদা লৈবা ঈ: ও: তহশিলগী খুল নং ৪৫ – কমেংগী অনৌবা পাট্টা নং ৩৬৮, দাগ নং ১৮৫ অমসুং এরিয়ানা মৃ: পাট্টাদারগী শরুক ১·৩৩ চাউবা ফৌরেল লৌফম অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মাগী মমিংদা পানবীনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭নিগী মনুংদা লৌফম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা অপতি তৌবিনীংলবদি তৌবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী অপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চথজরগনি।

*HL-P/3746/17*

*Sd/-* **Sub-Deputy Collector:IW:Lamsang**

# নোংলৈ নুংশিৎনা মীওই ২৪ শিহনখ্রে

হরারে, মর্চ১৬(এজেন্সি):

জিম্বাবৱেগী খা নোংপোক থংবা শরুক্তা ট্রোপিকেল নোংলৈ নুংশিৎ অমা অকনবা শাফুগা লোয়ননা শীৎচিল্লকখিবদা য়ুম অমসুং থোং কয়া অমাঙ-অতা থোকখিবগা লোয়ননা য়ামদ্রবদা মীওই ২৪ শিরে হায়না লৈবাক অদুগী ইনফোর্মেসন মিনিষ্ট্রিনা থাংজ নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

মোজাম্বিক অমসুং মালোৱিদা মফম কয়া ঈশিং ঈচাও অমসু অমাঙ অতা কয়া থোকহনখিবা নোংলৈ নুংশিৎ ইদাই হৌখিবা ইরাইদা জিম্বাবৱেদা শিৎচিল্লকখিবনি। নোংলৈ নুংশিৎ অদুনা মরম ওইদুনা লৈবাক অদুগী মফম কয়াদা পৱার সপ্লাই অমসুং কম্যুনিকেসন্সতা অকায়বা থোকহনখ্রে। শিখিবা মশিং পুন্না মীওই ২৪ নি হায়বসি কনফার্ম তৌরে। মখোয় অয়াম্বা চিমানিমানি ইষ্টতা লৈবা মীওইশিংনি। হৌজিক মীওই ৪০ থিবা খঙদনা লৈরি অমসুং শিখিবশিংগী মনুংদা মহৈরোয় অনীসু য়াওই হায়না ইনফোর্মেসন মিনিষ্ট্রিনা ত্বীটরদা ফোঙদোকখি।

## / শাগেগী পাউজেল

লাক্লিবা তাং ১৯/০৩/১৯ লমতাগী ১৩নি পানবা য়াইফরবা লৈবাকপোকপা নুমিৎ অসিদা থোকচোম শাগেগী অপোকপগী ইকৌখৎপা নুমিৎ থোক্লে। শাগেচাশিংনা মতম চানা লেংবীরক্লবা পাউজেঞ্জরি।

*পাউজেঞ্জরিবা :- পিবারেন থোকচোম দোজেন্দ্রো*
*ক্যামগৈ মনীং লৈকায়*

*HL-P/6069/16,17* ☎ 8119835021

## /মৌ অমা মাঙখ্রে

ঐগী ইচানুপী **Ophelia @ Bina Devi (40 yrs)** অসি হৌখিবা জন্যুৱারীগী তাং ৭, ২০১৯গী নুমিদাংৱাইরম পুং ৫.০০ রোম তাবদা য়ূমদগী থোকখিবদগী ঙসি ফাওবা হঞ্জিল্লকত্রে। মহাক ময়ায় ওইনা চাউই, ফিট ৫ ইঞ্চি ৪ রোম ৱাংই, কুচু মুই অমসুং চিনবান মথক্তা শম্বু অমা থুংই। কনাগুম্বনা মহাকপু থেংনবীরবদি মনাক নকপা পুলিস ষ্টেসন নৎত্রগা মখাগী এদ্রেস অসিদা পাউ পীবিয়ু।

*হায়জরিবা :- ইঙুদম ওংবী সুবদনি দেবী*
*কৈশামথোং থাংজম লৈরক, ইম্ফাল*

*HL-P/6075/16*

## /PUBLIC NOTICE

This is for general information that the ***Yambem Leirak Thingbaijam Leirak Development Club, Address - Yambem Leirak Thingbaijam Leirak*** is going to be registered to the office of the Deputy Registrar of Societies Imphal West, under Manipur Societies Registration Act, 1989.

So, all interested persons are requested to give objection or suggestion to the registration of the Association within 20 (twenty) days from the date of publication of the notice.

Objection/Complain after this stipulated period shall not be entertained.

*HL-P/3748/17*

***Sd/-* Ph. Ibohal Singh**
***Yambem Leirak Thingbaijam Leirak Dev. Club***

# কিমবু মফমদগী চিংথুবা পাম্বা গ্রুপ অমনা স্পেনদা লৈবা নোর্থ কোরিয়াগী এম্বেসিদা রেইদ চথখিবনি

ৱাশিংটন, মর্চ১৬(এজেন্সি):

স্পেনদা লৈবা নোর্থ কোরিয়াগী এম্বেসিদা হৌখিবা থাদা চথখিবা এটেক্ট অদু নোর্থ কোরিয়ন লিদর কি জোং উনবু মফমদগী চিংথুবগী অচেৎপা পান্দম লৈবা দিসিদেন্ট ওর্গনাইজেসন অমনা পাঙথোকখিবনি হায়না ৱাশিংটন পোষ্টনা ইরাই নুমিত্তা মিসন অদুবু শিন-লাংখিবগী মরমদা খঙবা মীওই খরা পল্লদুনা ফোঙদোকখ্রে।



সোহর্সশিং অদুবু মখা তানা মশক তাকখিদবগা লোয়ননা পাউচে অদুনা গ্রুপ অদুবু চিওলিমা সিভিল দিফেন্স কৌই, ফ্রী জোসিওন হায়রগসু খঙনৈ হায়না ফোঙদোকখি। মখা তানা পাউচে অদুনা হায়, গ্রুপ অদু কুমজা ২০১৭ দা মশক থোকপা থবক খরা পায়খত্তুনা খঙনবা হৌরকখি। ৱাশিংটন পোষ্টকী সোর্সশিং অদুগী মতুং ইন্না গ্রুপ অদুনা লৈঙাক অমত্তগা তান্নরগা নৎত্রগা শম্নরগা থবক তৌখিবা লৈতে। কিম অমসুং য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পকী মরক্তা হানোইদা ফেব্রুৱারি ২৭ অমসুং ২৮ দা পাঙথোকখিবা অনীশুবা সমিটকী মাঙওইননা শীনখিবা মিসন অদুগী অরুবা টাইমিং অদু য়েংদুনা য়ু এসকী ইন্টলিজেন্স এজেন্সিশিংনসু গ্রুপ অদুগী থবক্তা চেন্নবা পামখিদে।

স্পেনিস ফোরন মিনিষ্ট্রিগী সোর্ছস অমনা কনফার্ম তৌখিবা স্পেনিস মিদিয়া রিপোর্টকী মতুং ইন্না হৌখিবা ফেব্রুৱারি ২২ দা মশক খঙদবা মীওই কাঙবু খরা মদ্রিদতা লৈবা নোর্থ কোরিয়াগী এম্বেসিদা চঙখি অমসুং মখোয়না এম্বেসিদা থবক তৌরিবা মীওইশিংবু মচিন মেনশিল্লগা পুন্দুনা থমখি। পুং ৪ মুক লৈরগা মখোয়না মফমদুদগী কম্প্যুটর খরা পুথোক্লগা খুৎলৈ থুনা গাড়ি থৌদুনা চৎখি। থৌদোক অদু গ্রুপ অমত্তনা মখোয়গী খুৎনি হায়না ক্লেম তৌবা লৈখিদে। ৱাশিংটন পোষ্টনা পল্লিবা দিসিদেন্ট গ্রুপ অদুগী কমেন্ট লৌবসু হৌজিক ফাওবগী ওইনা ঙমদ্রি হায়রি। মখোয়গীনি হায়বা ৱেভসাইট অমদসু রেইদ অদুদা মখোয় চেন্নখি হায়বগী ৱাফম অমত্তা পন্দে হায়রি।

হৌখিবা ফেব্রুৱরি ২৫ দা ৱেবসাইট অদুদা থাগৎলকখিবা ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি মদুদি নোংচুপলোমগী তাদাংবা লৈবাক অমগী কোম্মরেদশিংনা মতেং খরা পীনবা হায়জরকপা লৈখি। মদু খুদোংথিনিঙাই ওইবা ফিভম অমদা ওইরবসু ঐখোয়না রেস্পোন্দ তৌখি। চয়োল অদুমক্তদা মরু ওইবা ৱাফম খরা লাউথোক্লগনি হায়না গ্রুপ অদুনা ফোঙদোকখি। তৌইগুম্বসুং মখোয়গী ওপরেসন অমত্তগী অকুপ্পশিংদি ফোঙদোরখিদে। য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকা ৱারী শানবদা নোর্থ কোরিয়াগী চীফ ৱার্কিং লেভেল দিগোসিএটর ওইরিবা কিম হ্যোক চোক মদ্রিদকী এম্বেসি অদুদা কুমজা ২০১৭ ফাওবা এম্বেসেদর ওইনা লৈখিবনি। ইন্টলিজেন্স এক্সপার্টশিংনা রেইদ অদুদা লৌখৎখিবা কম্প্যুটরশিং অমসুং ফোনশিং অদু কিম হ্যোক চোক অমসুং অতৈগী মরমদা ইনফোর্মেসন কয়ামরুম য়াওরমগদবা লৈবনা ফোরন ইন্টলিজেন্স এজেন্সিশিংনা খৌরাংনা ঙাইনখি হায়না লৌনৈ।

ৱাশিংটন পোষ্টকী রিপোর্ট অদুগী মতাংদা হংবদা য়ু এস ষ্টেট দিপার্টমেন্টনা ৱাহংশিং অদুগী পাউখুমদি স্পেনিস ওথোরিটিশিংনা পীগদবনি হায়না ফোঙদোকখি। সী আই এগী মায়কৈদগীসু হীরম অসিগী মতাংদা কমেন্ট পীয়ু য়াখিদে।

# ক্রাস ভিক্তিমশিংগী দি এন এ টেষ্ট থা ৬ ফাওবা চঙগনি

অদ্দিস অবাবা, মর্চ১৬(এজেন্সি):

ফ্লাইট ৩০২ দা তোংখিবা পেসেঞ্জর ১৫৭ কী হকচাংশিংগী লেমহৌবা শরুকশিংগী দি এন এ টেষ্ট তৌবদা থা ৬ ফাওবা চঙগনি হায়না ইথিওপিয়ন এয়রলাইন্সনা থাংজ নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিত্তা অদ্দিস অবাবাদগী পাইখৎখিবা মতুং মতম ইশাং শাংনা কান্নদনা ফিল্ড অমদা তাশিল্লগা কায়খিবা বোইং ৭৩৭ মেক্স ৮ প্লেনগী অকায় অতোইশিংগী মরক্তগী লৌখৎখিবা ব্লেক বোক্স রেকোর্দরশিং পেরিসতা ইনভেষ্টিগেটর টিম অমনা থিজিনবা হৌখ্রবনি। ফ্লাইট অদুদা লৈবাক ৩০ হেনগী পেসেঞ্জরশিং তোংখিবনি। ভিক্তিমশিংগী ইমুংশিংনা প্লেন কায়বগী মরম খঙনবা ইনভেষ্টিগেসন অদুগী রিজল্টশিং ঙাইনরিঙৈ মরক্তা ইথিওপিয়ন এয়রলাইন্সনা নোংমাইজিং নুমিত্তা অদ্দিস অবাবাদা অৱাবা ফোঙদোকপা অমদি লৈরোল চনবগী থৌরম পাঙথোক্লবা থৌরাং তৌরি। মশক মমিং তাকথোক্লিংদবা মীওই অমনা হায়, কম্পেনিনা শীন্দুনা সেলাসি চর্চতা পাঙথোক্ক দৌরিবা লৈরোল চনবগী থৌরমদা ফুম্ন বগীদমক্তা লৈবাক কিলো অমমম পীগনি হায়না ঐখোয়দা খঙহল্লক্লে। থাংজ নুমিত্তা স্কাইলাইট হোটেলদা ভিক্তিমশিংগী ইমুংশিংদা পীখিবা চেচাংশিংদা চয়োল অনীগী মনুংদা দেথ সার্টিফিকেটশিং পীরগনি হায়না পনখি। অয়াম্বনা মৈনা কাহৎলবা, মচেৎ তারবা অশিবা হকচাংগী শরুকশিং অদু থারকপদা থা ৬ চঙগনি হায়না চেচাংশিং অদুদা মখা তানা পনখি। এক্সপার্টশিংনা হায়রি মদুদি, হৌজিক ক্রাস অদু করিনা থোকহনখিবগে হায়বা খঙবগী মতম থুমল্লি। অমরোমদা, মালেমগী এভিএসন ওথোরিটিশিংনা বোইংগী ৭৩৭ মেক্স প্লেনশিং শীজিন্নবা লেপহনখ্রে। হন্দক্তা থোক্লিবা ক্রাস অদুগা হৌখিবা ওক্তোবরদা মান্নবা মোদেলগী প্লেন অমা ইন্দোনেসিয়াদা কায়খিবদুগা মান্নবা কয়া লৈ হায়না ফ্লাইট দেতা উৎখ্রবনি।